এম এস পি দি সী এলগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়রগী সেঙ্কসন পোষ্টকী মশীং চুমথোকপীনবা হায় কোর্টতা ৰাকৎলক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ১৮দা থোকখিবা চেরোল (নম্বর ১৮/৩/২০২০-পাৱর) দা মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) অমসুং মণিপুর ষ্টেট পাৱর কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) কী মথংশিংনা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল/সিভিল) গী দিপ্যুটেদ পর্সনেলশিংগী রিজার্ভ পোষ্ট ২১ অমসুং ১৩নি হায়রকপগা লোয়ননা চেরোল অসিনা কলম নম্বর ৮দা কম্পেনি অসিগী রিক্রুইটেদ পর্সনেলশিংগী সেঙ্কসন পোষ্টকী বেলেন্স নম্বর এম এস পি দি সী এলগীনা ১২নি অমসুং এম এস পি সী এলগীনা ১১নি হায়রক্লিবা অসি চৎনহন্দনা থম্বীয়ু হায়রকখিবগা লোয়ননা অশেংবা সেঙ্কসন পোষ্টশিংগী মশীং হাপ্পীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

পিটিসন অসিগী পিটিস্নরশিংনা লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়দগী লাইরেনলাকপম পোইরৈতোন মৈতৈ (২৯) অপোকপা এল বিপিন, তেন্থা খুনৌ মনীং লৈকায়দগী মোইরাংথেম শ্রীকান্ট (২৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম মঙ্গি, কংলা সিফাইদগী শিজ গুরুময়ুম সন্তোস (৩৩) অপোকপা এস ঐচ সনাখোম্বা, খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায়দগী উসম রোকি (২৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়ুকুমার, মোইরাং মাইরেনবম লৈকায় সেন্দ্রা রোদতগী রাজকুমার রোবিনসন (৩৩) অপোকপা আর কে সুরচন্দ্র, য়াইরিপোক পোইরৌ খোংজিন্দগী কোন্থৌজম বিনোয় (৩২), চীংমৈরোং মনীং লৈকায়দগী নাকম্বম প্রিতম (২৮) অপোকপা এন রাজধোন, তুমুয়োন খুলেন ভিলেজদগী কাপুইপি পাল (২৮) অপোকপা পুংদিং এ, তদুবীগী সরানামাই ভিলেজদগী খুভৈয়ো দেবিদ (২৭) অপোকপা দেবিদপুনি অমসুং তিনসিদ রোদকী এন তেরাখোং ভিলেজদগী ঙম্পৌই বাইফৈ বাইতে (৩০) অপোকপা থোথাং ভাইফৈনি।

পিটিস্নরশিং অসি হৌজিক হৌজিক এম এস পি দি সী এলদা মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল) শিং ওইদুনা থবক তৌরিবশিংনি। মখোয়না ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিগী নম্বরনা দব্লিয়ু পি (সিভিল) ৬২২ ওফ ২০২০নি।

সিভিল রিট পিটিসন অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (পাৱর), কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি), কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দা ওফিস ওইরিবা এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর, অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী গেট মনাক্তা লৈরিবা ন্যু দিরেক্টোরেট বিল্ডিংগী থর্দ ফ্লোরদা ওফিস ওইরিবা এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরনি। অদুগা পিটিসন অসিগী প্রোফোমা রেসপোন্দেন্টনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী) গী সেক্রেটরিনি।

পিটিস্নর ১০গী ৰাকৎ অসি থা অসিগী ৯দা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি। কোর্ট অসিগী আইটেম নম্বর ৬তা লিষ্ট তৌখিবা পিটিসন অসি লৌখৎলকপদা কোর্টনা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলদা মহাক্কী ওইবা কাউন্টর এফিদেভিটশিং হায় কোর্ট অসিগী ৰিন্টর ভেকেসন মতুংদা সবমিট তৌরক্নবা দিরেক্সন পীখি।

লোয়ননা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলদসু কোর্টনা মখোয়গী মায়কৈদগী রিজোইন্দর এফিদেভিট নৎত্রগা কোর্টতা সবমিট তৌনীংবা ৰারোলশিং কেস অসিগী মথংগী নুমিৎতা পীরকপা য়াগনি হায়খি। লোয়ননা মেট্রর অসি হান্ননা পিটিস্নরশিং অসিনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা দব্লিয়ু পি (সিভিল) নম্বর ৫৫৯ ওফ ২০২০গা লোয়ননা মথং থাগী ১৪দা মখা তানা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা ৰাকৎলকখিবদা এম এস পি দি সী এল/এম এস পি সী এলগী দাইরেক্ট এপোইন্টমেন্ট পীখিবা মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল) অমসুং এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিকেল) য়াওনা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট মণিপুরদগী এম এস পি দি সী এল/এম এস পি সী এলদা দিপ্যুট তৌরকপা/এবজোর্ব/ট্রান্সফর তৌরকপশিংদা পূনশিন্নদুনা মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল) গী কম্বাইন্দ সেনিরিটি লিষ্ট অমা ফোঙহন্নবা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়নসু হায়জরকখি।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নরশিং অসিনা কোর্টতা ফোঙদোরকখিবা ৰাফমশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ২দা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী) না থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টশিংদা এঞ্জিনিয়রগী পোষ্ট খরা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌগনি হায়খি।

এদভর্টিজমেন্ট অসিগী মতুংইন্না হৌজিক কোর্ট অসিদা পিটিস্নর ওইদুনা ৰাকৎলক্লিবা মীওই ১০ অসি লৈঙাকসিগী পাৱর দিপার্টমেন্ট/এম এস পি দি সী লিমিটেদতা এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়রগী পোষ্টকা চপ মান্নরিবা মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল) গী পোষ্ট ১০গীদমক এপ্লাই তৌখি। মসিদগী লোগী মতুংইন্না চৎখিবা প্রোসেসকী মতুংইন্না পিটিস্নরশিং অসিবু এম এস পি দি সী এলগী মেনেজর (ইলেক্ট্রিকেল) ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখি হায়রি।

অমরোমদা, ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩গী মখাদা মণিপুর ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি রিফোর্মস ট্রান্সফর স্কিম, ২০১৩গী নোটিফিকেসন অমা হৌখিবা কুমজা ২০১৩গী দিসেম্বর ৩১দা থোক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরম্বা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট, মণিপুরবু এম এস পি সী এল অমসুং এম এস পি দি সী এল হায়বা কম্পেনি অনী থোক্না খাইদোক্লগা লোইশঙ অসিবু কোর্পোরেটাইজ তৌখি হায়রি।

মসিগী মতুংদা কম্মিস্নর (পাৱর) না কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১১দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মতম অদুগী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট, মণিপুরগী এমপ্লোয়ী ৬৮৬ এম এস পি সী এলদা দিপ্যুট তৌরকখি। অদুগা এমপ্লোয়ী ১৯১৮না এম এস পি দি সী এলদা দিপ্যুট তৌরকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক, মরী লৈনবা লোইশঙ অসিগী ওথোরিটিশিংনা মণিপুর ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি রিফোর্মস ট্রান্সফর স্কিম, ২০১৩গী মখাদা য়াওরিবা ক্লোজ ৫ (৯) (দি) অসিনা হায়রিবা ৰারোলশিংবুদি ইমপ্লিমেন্ট তৌদনা লাকখি। অকক্লবা ক্লোজ অসিনা হায়রিবশিংনা লোইশঙ অসিগী এমপ্লোয়শিংগী হায়র পোষ্ট/সর্ভিসশিংদা কেরিয়র প্রোসপেক্ট অমসুং প্রমোসনগী মতাংদনি হায়রি।

চাইল্ডলাইন এদভাইজরি বোর্দকী মীফম পাঙথোকখ্রে

চান্দেল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): চাইল্ডলাইন এদভাইজরি বোর্দ (সী এ বি) চান্দেলগী অহানবা মীফম ঙসি চান্দেল হেদ ক্বার্টরসতা লৈবা দি সী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চাইল্ডলাইন এদভাইজরি বোর্দ চান্দেলগী চ্যেরপর্সন ওইরিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, চান্দেল ময়াংলম্বম রাজকুমার (আই এ এস) না ময়ায় তাংবলদা লেংশিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এস দি ওশিং, সী এম ও চান্দেল, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর চান্দেল, চাইল্ডলাইন দিরেক্টর, চাইল্ডলাইন সেন্টর কোওর্দিনেটর অমসুং মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুনা চাইল্ডলাইন এদভাইজরি বোর্দ অসি মথৌ নিংথিনা পাঙথোকহন্নবা হোৎনদুনা অঙাংশিংগা মরী লৈনবা থৌদোক ৰাথোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনমিন্নবগী মতাংদা ৰাফমশিং ফোঙদোক্লখি হায়রি।

রিমসতা লায়েংবা ডোক্টর অমা মফম খঙদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লায়েংলকপা মশামকসু ডোক্টরনি হায়বা মীওই অমা মফম খঙদ্রে হায়রি।

মীওই অদুগী মমিং ডা. বোনি তোংব্রম কৌই। মশাগী চহী ২৫ রোম শুরে। হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়দগী তোংব্রম রঘুমনি অমসুং ডা. ৰাই গুনবতিগী মচানুপীনি হায়রি।

মহাক ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদগী মহাক্না লায়েংদুনা লৈরকখিবা রিমসকী স্পেসল ৱার্দতা লৈরমখিদবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মহাক ফুট ৫গা ইঞ্চি ৪ রোম ৱাংই। কুচু ঙৌই। মমায় কোয়দানৈ। রিমলেসকী আনোক অমা উপ্পী। মহাক্কী ওইথংবা খজাইদা স্ক্রেচ মার্ক খরসু লৈখি। মহাক অমুবা মচুগী জোগিং সার্ট অমা অমসুং অমুবা মচুগী ত্রেক পেন্ট অমা শেৎখি। কনাগুম্বনা মহাকপু থেংনবীরবদি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও) গী টেলিফোন নম্বর ৮৭৯৪৬৫২৪৯৪ নৎত্রগা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ওফিসর ইন চার্জ (ও সী) গী টেলিফোন নম্বর ৯৬১২০৫৫৭০৬তা পাউ পীবিরকউ হায়রি।

খৃষ্টমাস কুম্মৈগীদমক চর্চশিংদা খুদোল তমখ্রে

কক্চীং, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কম্মিটিনা খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা ইম্ফাল মোরে লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা খুন্দারিবা খুলশিংগী চর্চশিংদা কোয়না চৎতুনা য়াইফ থৌজাল পীবগা লোয়ননা চিনি অমসুং চা মনা খুদোল তমখ্রে।

ঙসিগী য়াইফ পাউজেল পীবা অমদি খুদোল পীবগী থৌরম অদু ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কম্মিটি অসিগী এদভাইজর ওইরম্বা ঐচ ৰাজাংদগী লৈখিদ্রবা হোলখোখাই হাওকিপকী য়ূমদা অচম্বা থৌনি থৌরম অমগা লোয়ননা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এল সুবাশনা লমথাখি।

য়াইফ থৌজাল পীবা অমদি খুদোল পীবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল সুবাশনা ফোঙদোরকপদা ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কম্মিটি অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৭তা লম্বী অসিগী নাক য়েত্তা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওইশিংনা পূন্দুনা লম্বী অসিদা চথোক চৎশিন তৌরিবশিংগী য়াইফনবগীদমক শেমখিবা কম্মিটি অমনি। কুমজা ২০০৭তগী হৌদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। কম্মিটি অসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হেন্না নুংশি চানবা পুরক্লবগী ৰাখল্লোন্দা য়াইফ পাউজেল পীবা অমদি খুদোল পীবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমজা অসিগী ওইনদি মালেমদা পাক শন্না শন্দারক্লিবা কোরোনাভাইরসকী চৈথেংনা মালেমগী মীপূম খুদিংমক্তা অৱাবা পীরি। লাক্কদৌরিবা খৃষ্টমাস অমদি অনৌবা কুমজা ২০২১না লাকপদদি কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসি মাঙখিদুনা অকিবা য়াওদবা মালেম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

এন এস সী এনগী কাদর ১ জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): চান্দেল পুলিস ষ্টেসননা থা অসিগী ১৫দা ফাগৎখিবা নেসনল সোসিএলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন-কে এন কে) গী কাদর অমা ঙসি পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), চান্দেলগী কোর্টতা পুথোরকখিবদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা মথং থাগী ৪ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি সী জে এম/চান্দেলনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা কাদর অদুগী মমিং সাংখাইল বিরেন (৫৯) কৌই। চান্দেলগী থল্লাখুলেন ভিলেজদগী লৈখিদ্রবা এস কে দিনমনিগী মচানুপানি।

পুলিসনা কোর্টতা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মহাক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খৃষ্টমাস কুম্মৈগী মাঙওইননা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকহন্নবগীদমক মহাক্কী পার্টিনা শিন্নরকখিবা মীওইনি হায়রি।

হায়রিবা থবকশিং অসিগী মরক্তা পার্টি অসিগী মায়কৈদগী নেসনল কন্সত্রক্সন কম্পেনিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কৃষ্ণ কন্সত্রক্সন কম্পেনি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসর (দি এফ ও), চান্দেলনচিংবদসু রেন্সমগীদমক টেলিফোনগী খূথাংদা থ্রেটর্ন তৌরকখিবা কাদরনি হায়রি।

পুলিসনা মীওই অসি মহাক্কী খুলগী মফম অমদগী ফাগৎখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা অনলোফুল এক্টিভিটি (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৮/২০গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২৯ (১২) ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি হায়রি।

মঙোন্দগী মোবাইল ফোন হেন্দসেট ১ (রেদমি নোট-৯) অমা, সিম কার্দ নম্বর ৭০৮৫৯৬৮০৪০গা কোন্ননা রিকোভর তৌখি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি হায়রি।

সেক্যুরিটি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস)ঃ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দা সেক্যুরিটি মীটিং অমা অৱাংকাসোম ভিলেজদা ভিলেজ চিফশিং অমদি খুঞ্জাশিংগা পুন্না পাঙথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা আইজি এ আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খৃষ্টমাষ্ট অমদি অতোপ্পা হরাও কুম্মৈ কয়া নকশিল্লকপনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা সেক্যুরিটি মীটিং অদু পাঙথোকখিবনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবা অমদি হরাও কুম্মৈ মতমদা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল ঙাক্না চৎনবা অপীল তৌখি।

অৱাংকাসোম ভিলেজদা পাঙথোকখিবা সেক্যুরিটি মীটিং অদুদা খুল অদুগা থংননা লৈবা অতোপ্পা খুলশিংদগীসু মীওইশিং লাক্তুনা শরুক য়াখি অমদি শরুক য়াখিবা মীওইশিংগীদমক এ আরনা চান থক্লবা পোৎলমশিংসু শিনখি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.860300
US Dollar	73.962964
British Pound	97.904940
Australian Dollar	55.369603
Chinese Yuan Renminbi	11.287870
Japanese Yen	0.712299
Malaysian Ringgit	18.268417
Singapore Dollar	55.234053
South Korean Won	0.066581
Saudi Arabian Riyal	19.723457
Thai Baht	2.456891
Myanmar Kyat	0.05466
Bangladesh Taka	0.87267

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49658.00
Mumbai	–	Rs	49635.00
Delhi	–	Rs	49536.00
Kolkata	–	Rs	49720.00

নোর্থ ইষ্ট ফেষ্টেবেল ৰিক্কেন, ২০২০দা ‘খা ঙানবা’ কলেক্সন উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা ওন্ত্রপ্রেন্যুসিপ অমসুং টুরিজম প্রমোট তৌনবগী পান্দমদা গুৱাহাটিগী রেদিসন ব্লুদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ফেষ্টিবেল ৰিক্কেন, ২০২০দা মণিপুরগী শক্লাইরবা দিজাইনর মেক্সৱেল য়াঙ্গৈইজম্না পুথোকপা ‘খা ঙানবা’ হায়না মীংথোনবা হেন্দলুম ব্রান্দগী ‘এন ওদ টু মণিপুর হেন্দলুম’ হায়বা কলেক্সন অমা মীয়ামদা উৎখ্রে হায়রি।

ফেমিনা মিস ইন্দিয়া অসাম, ২০১৭ ত্রিভেনি বর্ম্মননা শো ষ্টোপ্পর ওইদুনা মহাক্কী কলেক্সন অদু ফেষ্টিবেল অসিগী ঙরাং লোইশিনখিবা নুমিৎতা মীয়ামদা উৎখিবনি হায়রি।

মেক্সৱেল য়াঙ্গোইজমগী কলেক্সন অদু মণিপুরগী ফিশাবীশিংদা কৎথোকপা ওইনা মীয়ামদা উৎখিবনি হায়বগা লোয়ননা ঙরাং লোইশিনখিবা নোর্থ ইষ্ট ৰিক্কেন ২০২০ অদুদা য়ুনিয়ন দোনর মিনিষ্টর জিটেন্দ্র সিংহ, লৈবাকসিগী ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ বর্ধন, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মশক নাইবা লিদর কয়ানা শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবনি হায়রি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অতৈ শক্লাইরবা মীওইশিংগী মনুংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱাল, ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনচিংবা লুচিংবশিংনা দিগ্নীটরিশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ নীনি চৎখিবা ফেষ্টিবেল অসি মসিগী নিপানশুবা এদিসননি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা পাঙথোকখিবা মখল কয়াগী থৌরমশিং দিজিটেল প্লেটফোর্মগী খূথাংদা মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্তা টেলিকাষ্ট তৌদুনা য়েংহনখি হায়রি।

অসাম লৈঙাক্না এম দি সী নৌনা শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এনএস)ঃ অসাম লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (ৱেলফেয়র ওফ প্লেন ট্রাইবস এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস দিপার্টমেন্ট) না ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না হান্না লৈরম্বা মণিপুর দিভলপমেন্ট কাউন্সিল দিজোল্ব তৌরগা অনৌবা কাউন্সিল অমা অমুক হন্না শেমখ্রে। মীওই ২৮না শাবা কাউন্সিল অসিগী চ্যেরমেননা রিনা সিংহনা ওইরগা মেম্বর সেক্রেটরিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরনা ওইরে হায়রি।

এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস)ঃ সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মেদিয়া অনীনা শীন্দুনা ঙসি লংথাবাল এ সিগী মনুং চন্না লৈবা লংথবাল কুঞ্জা মখা লৈকায় লম্পাক্তা কোভদ-১৯ গা মরী লৈননা এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী প্রড্যুসর ফঞ্জৌবম লনাজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফঞ্জৌবম লনাজিৎ, প্রড্যুসর সেলিন দিজিটেল, এন রাজেন মৈতৈ, প্রসিদেন্ট এল কে দব্লিয়ু সি, এন আর রাজেস, প্রোপ্রাইটর এন আর মেদিয়া অমদি এন খোগেন, সেক্রেটরি এল কে দব্লিয়ু সিনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা লনাজিৎনা, হৌজিক লমদম অসিদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখ্রে। নিংথমথাগী অইংবা মতম অসিদনা হেন্না ভাইরস মখল অসি শন্দোকপদা লাইনা থোক্লি। মরম অদুনা হান্নদগী হেন্না চেকশিনবগা লোয়ননা লৈঙাক্না পীরিবা কোভিদ-১৯ গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎনবা মীয়ামদা অপিল তৌখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা এৱ্যেয়র্নেসপ্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ পুন্না থেংনমিন্নসি হায়না ৱাশক লৌখি হায়রি।

ক্রিএটিভ দিরেক্টরশিংগী ৫১শুবা শোর্ট প্লে কম্পিটিসন, ২০২০গী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লিগী মীৎয়েং মখাদা থিএটর সেন্টর, মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) গী ওদিটোরিয়মদা থা অসিগী ১৪দগী ১৮ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্না পাঙথোকখিবা ক্রিএটিভ দাইরেক্টরশিংগী ৫১শুবা শোর্ট প্লে কম্পিটিসন, ২০২০গী মকোক মথং তারবশিং লাউথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসিগী রিজল্টকী মতুংইন্না মকোক মথং তাখ্রবশিংদি সেট্টিং কেটেগোরিদা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ গী পি বেঙ্গোলনা ফর্ষ্ট, এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিং’ গী এস রতনকুমারনা সেকেন্দ অমসুং এম এ টি এগী প্লে ‘হেপি মেরিএজ’ গী আর কে মনিসনানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মেক-অপ কেটেগোরিদা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ গী লিম্থোইঙম্বী ৱারেপ্পীনা ফর্ষ্ট, এম ৱাই সী ওর্গনাইজেসনগী প্লে ‘চৈশু’ গী পোইজন কে ঐচনা সেকেন্দ অমসুং মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে ‘মৈচাক’ কী দব্লিয়ু বুধিনা থার্দ পোজিসন তাখি।

কোষ্টুম কেটেগোরিদা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ গী এল তরুনবালানা ফর্ষ্ট, এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিংগী’ পি সন্তোসনিনা সেকেন্দ অমসুং পাখংবা থিএটরগী প্লে ‘তিঙ্খং’ গী সী ঐচ রোসনিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

লাইট কেটেগোরিদা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ গী ৱারেপ্পা খাগিঙম্বনা ফর্ষ্ট, এম ৱাই সী ওর্গনাইজেসনগী প্লে ‘চৈশু’ গী নাওরেম তম্ফাসনা মৈতৈনা সেকেন্দ অমসুং এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিংগী’ ঈ ওপেন্দ্রনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কম্পিটিসন অসিগী স্ক্রিপ্ট কেটেগোরিদা এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিং’ গী অইবা নিলধজ খুমননা ফর্ষ্ট, এম ৱাই সী ওর্গনাইজেসনগী প্লে ‘চৈশু’ গী রঞ্জিৎ নিংথৌজা অমসুং পাখংবা থিএটরগী প্লে ‘তিঙ্খং’ গী কে ঐচ ব্রজচান্দনা পুন্না সেকেন্দ পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে ‘নক্কা লাপ্নরে’ গী মনি য়ূম্নামনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

দিসিপ্লিন কেটেগোরিদা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ না তাখিবগা লোয়ননা চাইল্ড (মেল/ফিমেল) কেটেগোরিদা য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে ‘নক্কা লাপ্নরে’ গী য়াইফবগী রোল লৌখিবা অঙাংনা সেকেন্দ অমসুং এন ঈ টি এগী প্লে ‘নঙদি তম্নলাইনি, পেন্দমিকশিংনি’ গী মচাথোইগী শক্তম লাংখিবা ঐচ ইলিজাবেথনা ফর্ষ্ট তাখি।

সপোর্টিং এক্ট্রেসকী কেটেগোরিদা এম ৱাই সী ওর্গনাইজেসনগী প্লে ‘চৈশু’ দা লমজিংবীগী শক্তম লাংখিবী খোইরোম সঙ্গিতানা ফর্ষ্ট, এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিং’ দা নেফিওগী শক্তম লাংখিবা দিনানা সেকেন্দ অমসুং য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে ‘নক্কা লাপ্নরে’ দা কোরোনাগী শক্তম লাংখিবী আর কে সনাতারানিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সপোর্টিং এক্টরগী কেটেগোরিদা এম ৱাই সী ওর্গনাইজেসনগী প্লে ‘চৈশু’ দা তোমথিন শাখিবা মোইরাংথেম সুনিলনা ফর্ষ্ট, থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ দা সনধিলয়াগী শক্তম লাংখিবা এস ঐচ ললিৎনা সেকেন্দ অমসুং এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিং’ দা অদাহোগী শক্তম লাংখিবা এল প্রিয়োকুমার মৈতৈনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

বেষ্ট এক্টরগী কেটেগোরিদা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ দা ভগৱদ মুনিগী শক্তম লাংখিবা হুইদ্রোম সন্দিপনা ফর্ষ্ট, এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিংদা’ অকিতোমিরোগী শক্তম লাংখিবা ৱাই পোলোই মীতৈনা সেকেন্দ অমসুং এম ৱাই সী ওর্গনাইজেসনগী প্লে ‘চৈশু’ দা লোয়াগী শক্তম লাংখিবা ঐচ য়ুনিভর্সনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

লোয়ননা বেষ্ট এক্ট্রেসকী কেটেগোরিদা এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিং’ দা খুল্লাকপীগী শক্তম লাংখিবী পি সন্তোসিনিনা অহানবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ দা অজুকাগী শক্তম লাংখিবী মার্টিনা ময়াংলম্বমনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে ‘নক্কা লাপ্নরেদা’ লাইসনাগী শক্তম লাংখিবী এল মোইরাং লৈমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কম্পিটিসন অসিগী দিরেক্সনগী কেটেগোরিদনা থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ বু দিরেক্সন পীখিবা ৱারেপ্পা নবনা ফর্ষ্ট, এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিং’ বু দিরেক্সন পীখিবা এস রতনকুমারনা সেকেন্দ অমসুং মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে ‘মৈচাক’ পু দিরেক্সন পীখিবা কে ঐচ উনবা মৈতৈনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

প্রসিদেন্ট এৱার্দকী কেটেগোরিদা এন ঈ টি এ, হৈঙাংগী প্লে ‘নঙদি তম্নলাইনি, পেন্দমিকশিংনি’ না ফর্ষ্ট তাখি। অদুগা প্রদক্সন কেটেগোরিদনা এল দি য়ুগী প্লে ‘মোংফমগী নূংবীশিং’ না ফর্ষ্ট, থিএটর মিররগী প্লে ‘ভগৱদ জুকাম’ না সেকেন্দ অমসুং য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে ‘নক্কা লাপ্নরে’ না অহুমশুবা পোজিসন তাখি হায়রি।

দিসেম্বর ২৮ ফাওবা বেন্দিং ষ্টেসন ক্লোজ তৌগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এনএস)ঃ মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) গী ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন (আই ঈ দি) নম্বর থ্রীগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর এন বিরজিৎনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না আই ঈ দি - থ্রী অসিগী বেন্দিং ষ্টেজশিং থা অসিগী ২৮ ফাওবা ক্লোজ তৌরগনি হায়রি। চেরোল অসিনা হায়বদা, আই ঈ দি - থ্রী অসিগী টেক্নিকেল ইস্যু খরনা মরম ওইদুনা দিভিজন অসিগী বেন্দিং ষ্টেসন অসি ক্লোজ তৌগদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক ইলেক্ট্রিক্কী প্রি পেদ মিটরগী রিচার্জশিংদি কৈশাম্পাৎ, খুমন লম্পাক অমসুং লম্ফেলদা লৈবা বেন্দিং ষ্টেসনশিংনা মখা তানা চৎখিগনি হায়রি।

পাঞ্জি শংলাকপা হাপ্লকপদা হরাওবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস)ঃ কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ৱাঙ্খেমযুম হোমেন্দ্রো, ফিলিতসিদ্ধান্ত জ্যোতিষাচার্য্যবু হন্দক গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী পাঞ্জি শঙলাকপা ওইনা হাপলকপদা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। হিরম অসিগা মরী লৈননা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী সেক্রেটরি জেনরেল সোরাইসম সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হোমেন্দ্রো হৌজিক লৈরিবা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দ অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা মীওই অমনি। মহাক কেলেন্দর অমদি খুৎপায় হোত্তোক হোৎচিন অমদি মসিগা মরী লৈনবা সাইন্টিফিক ওইবা অঙ্কদা য়াম্না খুমাং চাওশিল্লবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা লমদম অসিগী কান্নবা থবক থৌরমশিং তৌরকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।